# পিএলএনা এআরদা বোমগী এটেক চথখ্রে আইইদি টাইমর বোম ওইরমগনি চিংনরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই* ২১ঃ আইন্না থিংখ্রবা লালহৌ লূপ আর পি এফকী লান্মী ‘পি এল এ’ ওইগনি চিনবশিংগী বোমগী এটেকতা অসাম রাইফলসকী ক্রুপস অমা খুদোংথিরমগদবদগী  শন্নাদা লিৎহৌরে।

বোমগী এটেক অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪:৪০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অৱাং খুন্নৌ সলাং সাবল, নেস্লেল হায়ৱে ৩৭(৫৩) দা থোকখিবনি।

আই জি এ আর (এস) কী মখাদা কৈথেলমান্বীদা লৈবা ৯-সেক্টরগী ২৮- এ আরগী ক্রুপস অমনা মফম অদু হেক য়ৌশিল্লকপদা বোম অদু পোকখাইরকখিবনি।

এ আরগী ওফিসার অমা তোংবা জিপসি অমগা ৪০৭ মিনি তাতা অমগা কৈথেলমান্বী তম্না ইম্ফালদগী চৎখিবগী লম্বীদা এটেক অদু মায়োক্নখিবনি হায়রি।

মিনি তাতা অদুনা মমাং থারগা ওফিসার অদুনা তোংবা জিপসি অদুনা তুংদা ইন্নরগা চৎলিঙৈ গাড়ী অনিগী মরক্তা নেস্লেল হায়ৱে অদুগী মতাই ওইরপ্না লৈনুংদা ফুমদুনা থল্লম্বা বোম অমা শাফ্ কন্না পোকখাইরকখিবনি।

থাজনিংঙাই ওইদবা মওংদা বোম পোকখাইরকখিবা অদুদা মমাং থংবা তাতা অদু খরা থৌরুরগা চপ লেপখি। তুংদা লাকখিবা ওফিসার তোংবা জিপসি অদুসু চপ লেপ্তুনা মনিং থুনা হন্দুনা ঙৈহাক্তি চংঙক্নখি। অদুবু এ আরগী মায়কৈদা অশোক-অপনদি অমত্তা য়াওহৌদ্রে হায়রি।

বোমগী এটেক অদুদা মমাং থংবা মিনি তত অদুদি হাইদোরকপা বোম মচেৎনা পানবগী মখূলশিং লৈরমখি হায়রি।

বোম পোকখাইখিবা মফম (লম্বীগী অৱাং থংবা শরুক্তা) অদু পিক্তক তৌবা য়ামদ্রবদা ফিট মরিরোমগী ডাইমিতর ওইগদবা ফিট অনিরোমগী ময়া লূবা কোম অমা হন্দোক্লগা লৈরম্বা  থেংনখি।

থৌদোক থোকফমদা মণিপুর পুলিসকী বোম এক্সপার্টকী  য়াওনা পুলিসকী তিম অমা মফম অদুদা চংশিন্দুনা মফম অদুগী অকোয়বদা মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চত্থখি।

‘‘বোম অসি শক্তি লৈবা **আই ই ডি** (ইমপ্রোভাইস ইক্সপ্লোসিভ ডিভাইস)নি, টাইমর মখলগী ওইগনি’’ হায়না পুলিস ওফিসার অমনা*নহারোলগী থৌদাং* -দা ফোংদোরক্লি।      পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা এটেচ তৌদুনা লৈরিবা ১৮- সিখ রেজিমেন্টকী এরিয়া ডোমিনেসন তৌদুনা অয়ুক অমসুং নুংথিলগী মতমদা আর ও পি (রোড ওপনিং পেট্রোল) চৎলিবা মফম্নি হায়রি।

‘‘বোম অসি করম্বা য়ু জি গ্রুপনা প্লান্ট তৌরম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অমদি লৌখৎলে’’ হায়না পুলিসনা ফোংদোক্লবসু এ আরদগী   প্রেসনা ফংবা পাউগী লিখূল অমনদি ‘‘পি এল এনা চত্থবা ওইগনি’’ হায়না ফোংদোরক্লি।